# ইন্টরনেশনল থিয়েটরগী লিজেন্দরি আইকন রতন থিয়াম্না লৈখিদবদা কৎচবা লৈনা খরদং - পোৎশংবম হকিম খাবা

কুনশুবা চহীচাগী অরোইবা তঙ্খায় অমসুং ২১শুবা চহীচা হৌগৎলকপা মতম অনী অসিগী লংদাইদা, মণিপুরগী পূক্কে চোল্লবা আর্ট অমদি কলচরবু মহাক্কী থোইদোক-হেন্দোকপা থিয়েটরগী হৈ-শিংলবা মপুথোক কয়াগী খূথাংদা মালেম শীনবা থুংনা মশক তাক্লম্বা, মোর্দন থিয়েটরগী লময়ানবা রতন থিয়ামনা কোরৌ নোঙ্গাখিবা হায়বসি মণিপুরী খুন্নাই অমসুং মালেমগী আর্ট অমদি কলচরদা অমুক হন্না মেনশিনবা ঙাল্লরোইদবা অচৌবা অহোবা অমনি। মণিপুরগী, মরু ওইনা মালেম পূম্বগী থিয়েটরদা তোমথিন ঙাল্লম্বা আইকন অসিনা ঐখোয় খ্বাই পূম্নমকপু তুংওইনরমদুনা তেংবানবা মপুগী খুয়াখাদা চঙজখিবদা, মপুনা মহাক্কী য়াইবী মীরেলবু ঈংনা-চীক্লা থম্বীবা ওইরসনু হায়না থৌনিজবগা লোয়ননা, মীৎকি পিনা চাল্লবা ঙমজবা লৈনা খরদং মপুগী খুয়াদা কৎচরি।

মহাক্লা শোক্লু শোক্লুবা হীরম খুদীংমক সনা ওলহনবা ঙম্বা, শক্লোন য়াম্বা রতন থিয়াম্না মমা লৈবাক মণিপুর অসিবু হক্লা নুংশিজবা অশৈবা অমা ওইনা নীংঙমদনা ইরম্মী "অভিশাপ ফংলবা খুন্নাই অমগী/থম্মাইখ্রবা, মরোল থোক্ত্রবা, মরৈ ককথৎপীখ্রবা মীওই ময়াম/মখোল থোক্ত্রবা অহৌবা খোঞ্জেলদা/শোয়রবা লৈঙাক্লোনগী ৱাকৎপগী ঈশৈ শকই/মমায় য়াওদ্রবা পুঙ কন্না কন্না য়ৈদুনা/তাবীগনি খন্না অরাপ্পা লমদমগী সনা কোনুংনা (**অমুবা কোলাশ, খোঙচৎ অমদি খোঙবুরোই**)। শৈরেং মতেক অসিদা উৎলিবা অসি মখোঙ-মখূৎ অনীমক পুনশিন্দুনা, ময়াদা ফীবুল নম্লগা থম্বীরবা মণিপুরী খুন্নাইগী পান্বে লৈজদবা শক্তম অদুনি। অসিগুম্বা খুন্নাইগী ফীভম অসিনা শৈরেংবা অসিবু "মীওইবগী পুৱারী অমদি মতম" অনীমক অসিগা য়েক্নবা ওইহল্লকই, অমসুং "ঐগী খোঙয়াদা লেপ্পনবা লৈমায় লৈরক্তবা কুইরে" হায়বা নুংহীক্লরবা খোল্লাও অমগা লোয়ননা পল্লেপফম খঙদ্রবা, হিংনা হিংনা শিরবা মণিপুরীশিংগী মশক অমা কেনভাসতা য়েকপা অয়েকপা লাইগী মতৌগুম্না মীৎমাঙদা ময়েক শেংনা উহল্লকই **(লৈমায় লৈত্রবা লৈমায়)**।

মীওইবগী হৌরকফম মরু হায়বসি ত্রেদিস্নেল আর্ট অমসুং কলচর অনী অসিগা য়াম্না নক্লা মরী লৈনৈ। অচুম্বা চৎপা খুন্নাই অমনা ফজবা আর্ট অমসুং ফজবা কলচর পুথোক্লকই, অদুগা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবা খুন্নাইনা চৈনাখোলনা থল্লবা আর্ট নৎত্রগা থিয়েটরগী মচৎ অমা শাগৎলকই। পূম্নমক অসি ওইদুনসু মীওইবগী লোনচৎ (হ্যুমেনিটি) হায়বসিনা মথক্তা পল্লিবা 'হৌরকফম মরু' অসি ওইহনফম থোকই, নৎত্রবদি মীওইবনা তেংবানবা অসিদা মী ওইনা হিংদুনা লৈবা ঙম্লোই হায়না অখঙ-অহৈশিংনা হায়নরি। মরম অসিনা মীওইবগী মচৎ অমসুং মসিগা তায়োন্নবা থৌওংশিং অনীমক অসিবু থোং মান্ননা লৌখত্তুনা মালেমগী মীয়ামদা মীওইবগী পোজিটিভ ওইবা য়ুনিভর্সেল ইমপেক্ট অমা পীবা ঙম্বা আর্ট এন্দ কলচরগী পোত্থোকশিংবু অৱাংবা থাক ওইনা লৌনৈ। অমরোমদা, ঙসিগী মতম অসিদদি মোদর্নিটি অমসুং ত্রেদিশন অনী অসিগী লেপ্পা লৈত্রবা চিংখাইনবগী মশক অমসু উবা ফংনরি। লুরিবদি হৌখিবা মতম হায়বসি লৈত্রবদি হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি ওইবা য়ারোইদবগুম্না, ত্রেদিশন য়াওদবা মোদর্নিটিগী ৱাহন্থোক লৈতবা অসিনি। মরম অসিনা ঐখোয়না মীওইবগী ক্লাসিকেল ওইবা ভেল্যু অমসুং ত্রেদিশন অনীমক অসিদা য়ূম্ফম ওইবা মোদর্নিটিগী সোশল ষ্ট্রকচর অমা শেমগৎপা মথৌ তারক্লি। অসিগুম্বা, অনৌবা মতমগী আর্টিষ্ট অমা ওইবগী লুরবা থৌদাং অসি মণিপুরগী শক্লাইরবা থিয়েটর পার্সনেলিটি, লৈখিদ্রবা রতন থিয়াম্না লৌদুনা ষ্টেট অসিগী কলচর অমসুং আর্টপু ইন্দিয়াগী ৱাংমা লান্না চাওখৎলবা মালেমগী লৈবাক পূম্নমক্তা মহাক্কী তোপ-তোপ্পা প্রদক্সন ষ্টাইল অমনা মশক তাক্লম্মী।



ললিত কলা একাদেমিগী হান্নগী চ্যেরমেন অশোক বাজ পাইনা শক্লাইরবা রতন থিয়ামগা উনদুনা ৱারী শানখিবগী মতাংদা 'থিয়েটর ওফ গ্রান্দ্যর : কনভর্শেশন ৱীথ রতন থিয়াম' হায়না মিংথোন্দুনা ফোঙবা লাইরিক অমদা চ্যেরমেন অসিনা, লৈখিদ্রবা লময়ানবা অসিগী পোৎথোকশিং অদুবু মশক তাক্লদুনা "মোদর্ন ইন্দিয়ান থিয়েটরদা রতন থিয়াম্না তোপ তোপ্পা মফম অমা চাউনা কনবা ঙম্লে। মহাক্কী থিয়েটরগী পোৎথোকশিংদা ইন্দিয়াগী ওইবা হেন্না পাক-চাউবা ত্রেদিশন অমসুং মোদর্নিটিগা মণিপুরগী ফোক ত্রেদিশনগা মরী লৈনবগী য়াম্না হকচিনবা অমদি মচু লাংলবা মরী অমা লৈনহনবা ঙম্লে। অসিগুম্বা, মহাক্লা মতম শাংনা ৱারী শানবা অসিদা, ঐখোয়না মহাক্কী থিয়েটরগী পূন্সি, ৱানা হোৎনরকপা, পেন্দবশিং লোয়ননা ইন্দিয়াগী থিয়েটরনা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবা হায়রিবশিং অসিগী চাউরাকপা শক্তম খরসু উবা ফংখি" হায়না শীংথারি। মালেমগী ফাওরবা থিয়েটরগী ক্রিটিক কয়ানা মহাকপু জেনিয়শনি হায়না অৱাংবা থাক্তা ইকায়খুম্নরি।

ঙসিগী মতমদা পুথোক্লরিবা দ্রামাশিং অসি ইচম চম্বা পর্ফোর্মিং আর্ট মখল অমা ওইনা লৌবা য়ারক্ত্রে। খৃষ্টমাঙগী তরুকশুবা চহীচাদা গ্রীক্কী থেশপীস হায়বা লাইশোন-তীন্সোনগী ঈশৈ শকপা মীওই অমনা তোঙান তোঙানবা মায়খুম উপ্তুনা মথন্তনা শক্লোন কয়া লৌরগা শান্নবা হৌরকখি হায়রিবা দ্রামা অসি মতমগী মতুংইন্না মশক হোংলক্লি। ইংলেন্দদা লৈমরেম্বী ইলিজাবেথ অমসুং নিংথৌ জেকোবনা পানখিবা মতমশিংদা থোক্লকখিবা মমিং লৈরবা দ্রামাটিষ্টশিং-খৃষ্টোফর মার্লো, ৱিল্লিয়ম সেক্সপিয়র অমসুং বেন জোন্সন, ১৭শুবা চহীচাদা ফ্রান্সতা পোকখিবা মোলির অমদি জাঁ রেশিন অমসুং ১৯শুবা চহীচাগী য়ুরোপতা মমিং চৎখিবা হেনরিক ইবশেন, ওগষ্ট ষ্ট্রিন্দবর্গ অমসুং এন্টন চেকোব অসিনচিংবা দ্রামাগী শক্লাইরবা লাইপোকশিং অসিনা কুম্মৈ মখল অসিদা মতম মতমগী ওইবা তোপ তোপ্পা মওং মতৌ, পর্ফোর্মেন্স অমসুং দিরেক্সনগী টেক্নিকশিং, ফিজোল শেৎ-চাবগী মওং, সিনরি অমসুং ঈশৈ-জগোয় পূম্নমক অসি দ্রামাগী স্কৃপ্ট অদুগা চূননা হাপচিন্দুনা মোদর্ন দ্রামাগী য়ূম্ফম থোনবা হৌরকখি। হায়রিবা অনৌবা মওংগী দ্রামাগী খোঙচৎ অসি নোংপোক্লোমদসু জপানগী 'নোহ' অমসুং 'কাবুকি', চাইনিজ ওপেরা অমদি খা থংবা ইন্দিয়াগী 'কথাকলি' অসিনচিংবা পোৎথোকশিং অসিদা উবা ফংই।

দ্রামা হায়বসি মহৌশানা ফম্বাক-কুম্মৈ (থিয়েটর) ওইনা শান্নবনি। অদুবু ২০ অমসুং ২১শুবা চহীচাদগীদি থিয়েটরগী অসিগুম্বা মচৎ অসি রেদিও, সিনেমা, টেলিভিজন অমসুং ইন্টরনেট য়াওনা, অনৌবা মীদিয়াশিংনসু শন্দোক্লরক্তুনা কুম্মৈ অসি মীয়াম্না য়াম্না পাম্নবা অমদি মপাঙ্গল কন্না হিংদুনা লৈরিবা আর্ট-ফোর্ম মখল অমনি হায়বসি ময়েক শেংনা উৎলি।

অদুনদি কুম্মৈ অসিবু মীয়াম্না হেন্না পামহন্নবগীদমক্তা হীরম অসিদা খোঙদারিবা মীওইশিংনা করি তৌবা তাই? পোক্লকপগা তাধিং তাধিং হায়দুনা জগোয় শাবা তম্বীরবা, ইনাক খুল্লবা আর্ট অমসুং কলচরনা মালেমদা মশাবু মশক তাক্লিবা মণিপুরীশিংনা খুন্দাবা লৈবাক্তা থিয়েটরনা মরায় চায়থরে হায়রিবা অসিগী মরুমদা করি লৈবগে? পুৱারীগী থেঙ্খাং কয়া অমসুং মতম্না পুরকপা খুদোংথীবা ফীভম কয়ানা মরম ওইদুনা হরাউ-কুম্মৈ পামজবা মণিপুরীশিংগী পূক্নীং অসি থমায়বীখ্রবরা? হৈনীংবা পোক্ত্রবা মীয়ামগী পূক্নীংবু তেকখৎহন্নবগীদমক্তা ঐখোয়না করি তৌগনি? ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম অদু পীবা ঙম্নবগীদমক্তা মণিপুরগী থিয়েটরবু পামজবা মীওইশিং অসিসু লৈখিদ্রবা, ফম্বাক লীলাগী লিজেন্দরি আইকন অসিগী মতৌগুম্না অচৌবা ৱাখল খনবা, মশাগী মরৈবাক অমসুং মফূরুপপু নুংশিজবা, লৌশিং চাউবা, ফজবা আইদিয়া পুথোকপা ঙম্বা, হৈ-শিংবা অমসুং চুম্না ৱাখল খনবা অমদি মশামক্লা ইন্টেলেকচুয়েল অমা ওইনা লৈবা য়াগদবা, হেন্না য়াইফবা মালেম অমা শেমগৎপা পাম্বা মীওই অমমম ওইবা তারি। মসি অরায়বা থৌওং ওইরোই। কূপ্না খন্থরগা কন্না হোৎনবা তাই।

ঙসিগী লৈতাফম খঙদনা চরাংনরবা মালেম অসিদা, মোদর্ন মণিপুরী থিয়েটরগী মমল নাইদ্রবা লময়ানবা অমসুং মালেম পূম্বগী ওইনা অরংবা থৱান্মীচাক অমগুম তরং তরং ঙাল্লম্বা লিজেন্দরি থিয়েটর আইকন রতন থিয়ামগী পূন্সিনা ত্রেদিস্নেল ওইবা হ্যুমেনিটিগী কলচরেল রুট অমদা শাগৎলকপা থিয়েটরগী ঈং-চীক্লবা অনৌবা তেংবানবা অমা খুদোল তম্বীরম্লে। থিয়েটরবু শেংলবা লাইশঙ অমগুম্না খঞ্জদুনা মিংথোল্লম্বা দি শ্রাইন কোরস রেপর্টরি থিয়েটরগী ফাউন্দর চ্যেরমেন অমসুং দিরেক্টর ওইরম্বা রতন থিয়াম্না মোদর্ন ইন্দিয়ান থিয়েটরবু নৌহৌননা মালেম অসিদা মশক তাক্লমই।

মালেমগী তাঙলবা থিয়েটর দিরেক্টর, ক্রিয়েটর, দিজাইনর, ম্যুজিক কম্পোজর, লাইটিং এক্সপার্ট, পেইন্টর, কোরিওগ্রাফর, প্লেরাইট অমসুং অশৈবা অসিনা মমা লৈবাক মণিপুরবু য়াম্নমক নুংশিজখি, অদুনা মহাক্লা ইরম্মী শৈরেং ওইনা "ইমা!/লমদম তাল্ল তাল্লগা/নঙগী নুংশিবা শক্তম ময়েক শেংলকই/থাপ্পা থাপতোক্লক্লগা/নঙগী খোল্লাং লমন/শিংঙমলোই খল্লকই/মীগী মমা উর উরগা/কায়নবা মতম কুইর কুইরগা ইমা নঙবু হেন্না নুংশিরকই" (তলা পামেল নহাকসু, লা: ৯৫)।

ঙসিদি মমা লৈবাকপু নুংশিজবা, মণিপুর ইমাগী তাঙলবা ফিজিগী লন ওইরম্বা শক্লাইরবা অসিসু তাইবঙগী হৌনশা অরোইবা খোঙচৎ অমদা খুম্নুং শাৱা তানখরে। অদুবু মহাক্লা চূখৎলম্বা মৈরাদি মালেম শীন্না ঙালহৌরি। লাউ অথৌবশা নীংনা তেনা মহাক্কী মার খোঙ্গুল লীরুসি লাউ! ●

# অৱাং কৌব্রুগী মায়কৈদা

- রাজেন তোইজাম্বা -

***কংলৈপাক অসিগী মায়কৈ মরি ঙাক্লিবা কৌব্রু, ৱাংব্রেন, থাংজিং, মার্জিং - নখোয়গী নখুয়াদা খুরুমজে। ঙসি কংলৈ খুন্নাইনা হিংজরক্লিবা অসি লৈহৌ-নোংহৌরকঙৈদগী চায়োক নাউয়োকপীরক্লিবা ইপা-ইপু ওইনা লেংবা কৌবা লৈতনা লেপ্পীরক্লিবা চীংজাও-চীংশাং পরেংশিং নখোয় লৈবদগীনি। অদুগা পলেম খোল্লাংনগুম্না থৱায় য়াইবী পীনা লাইজ চিন্দম্বীরক্লিবা য়াংদৌ তুরেলশিং, অমনা লেপ্লে চরা চইন-তম শাম্মা পাঙ্গল হাপ্পীরক্লিবা কোনয়া পাৎলেন ঈরেলবুংশিং নখোয় লৈবদগীনি। কংলৈ ঈগী ঈরিকশিংনা খুনপান লৈপান্দুনা খোইরী লীনশাং তাফম ওইজরিবা নখোয়গী নশাইগোন অসি লৈজবনা থৱায়শিং অসি হিংজরিবনি।***

ঙসিদি কৌব্রু লাইফমলেন অরুবদা কংলৈচা অমত্তনা খোঙ্গুল তারুবা য়াদ্রে। চহী তরা কুন অসি লাইফমলেন অসিদা চংলুবদা তত্তনা হেক হেক তম্নরকপা হৌরকখ্রবনি। খা মায়কৈদগী ঊচি শবিগুম্না ফাওজিল্লকখিবা মিরান লম্বাশিংনা চীংখোঙ চীংয়া পূম্বদা শন্দোক্তুনা খুন্দা লৈতাশিনখ্রে। ইবুধৌ কৌব্রুনা পনঙাক্লিবা অৱাং মায়কৈ অসি চংবা য়াদনা, খোঙ্গুল তাবা য়াদনা মীতোপ-লৈঙাকপশিংনা শম্বল খাজিনখ্রে।

"নিংথৌ কাংবনা মশানৌ-লৈমগা মখোয় অনীমানা কোরৌ নোং অমা কোংবা লময়েংবা শাবল লমথোকপা লেংথোকএ। অদু নোংদা চাকশৌপুংসু মীৎয়েং শাংখৈনরম্মে। অদু নোংদা লাইনিংথৌগী লৈমদি নাৱা পিবুকয়ানববু মতমনে। লৈমরেম্বীদি নাৱা পিবুকয়ানববু লোইদাম থাবুম নিপান শুরবদা লোইদাম মথং মথং নোংহৌনা লান্থখিয়ে। মথং লোইদাম থাবুম তরা হায়রবগা লম্মখাঙদা নাৱা অমবু য়িফাওনরকখিএ। মফম অদুবু কাংবা চাদাফম, নাউৱা নাউফংফম, লৈমা নাউদাফমনে, হায়বগী হয়েং পোইরৈ চাদোন ৱাংঙমশুদোন তাবশিংনা কাউজন পরৈনদনবা "কাংপোকপীও" তৌনা তৈনা কৌনখিএ।"

ঙসিদি কাংবা ইনিংথৌনা শাবল লময়েংফম পূক্নিং য়াথোকফম ওইরম্বা মফম অসে য়ান্নবীগী মচাশিংগী ফত্ত শরৌ ৱাতানফম ওইখ্রে। অৱাং কৌব্রু মায়কৈগী লোক্লম ঈরম পূম্বা মমিং মথা হোংদোক্লে।

অৱাংগী ঙমখৈ অসি কৌব্রু চীংজাওগী নোংচুপ ওইরপ্পা টিকী-তুরেল, তম্পাবা অমসুং কাংপোকপী ফাই-ফাওনা লোকলম ঈরম কয়ানা পূনশিল্লক্তুনা ইম্ফাল তুরেল হায়না খা পাংনা চেন্থরকই। লম্মখাংদা তম্পাক লমদম য়ৌরকপদা খোঙহাম্পাৎতা লৈমখোং তুরেলগা অমুক ঈতিন্নদুনা অহল্লুপ, নহালুপ, খাবম, লাইফম, পানাশিংগী লমলেনশিং ফাওনা কংলাগী নোংপোক থংবা মায়কৈদা থা মচেৎ শানা ঙারম্লগা খাবা ষনশেনথোংগী মখাদা খা পাংনা হাইথখ্রি। অসুম হাইথখিবনা খোর্দাক ঈচিল, ঈথাই চীংজিল, তুরেল অচৌবা হায়না মিংগৌনদুনা ৱাংঙু পাজিগী মকাইফমদগী ৱাংব্রেন খুভম শোক্লা চৎথখিদুনা কনাল চীংদগী হৌরকপা চকপী তুরেলগা অমুক ঈতিন্নরগা কবো মায়কৈ চীংনুংহুৎতা তাখ্রি। অদুঙৈ য়োইমোংবা তাউথিংমাং মচিন মনাওনা লৈপাক অসিগী তু-খোংশিংবু অৱাং মায়কৈদগী খা তম্না তেংথখি।

কৌব্রু চীং অসি কংলৈ ঐখোয়গী হৌরকফমনি। কৌব্রু লাইফম অসিনা লৈহৌঙৈ খোইয়ুম লাইয়ামশিংনা তিন্নফম ওইরকখিবনি। খোইয়ুম পূম্বনা লৈশেম নোংশেমঙৈদা মানা মানা লৌরকপা, তাইবঙ শেন্নকপগী মথৌদাং অদু নৌহৌননা নীংশিংনদুনা মথং মনাও কায়দনা অওইবা ওইনা শক শোল্লদুনা মদুবু খূৎনা শানা মওং কয়াদা তাক্তুনা তুংগী চারোন শুরোন্না তমজহৌননবা হরাও তয়াম্না 'লাই হরাওবা' হায়না পাঙথোকখিবা লাইফমলেননি। অদুঙৈ মেরা থাদা খোইয়ুম লাই পূম্নমক্লা তিন্নদুনা হরাও তয়াম্বগা লোয়ননা তুংলমচৎকী লীক্লম তাক্লম্বা মফম অসিবু ঙসিদি কংলৈচা অমত্তনা খোঙ্গুল তাবা য়ারক্তবা অসিবু করম ওইরকখিবনো? ঙসিদি হৌদোংনা ঙা চারগা মপুনা য়েংদুনা লৈরে। য়োং ইকায়দবশিংনা মপু শাদুনা উমং ৱামং পূম্বা মরূ কোকথোকপীদুনা চাক্তাফম খোঙনেৎফম ওইনখরে।

কৌব্রু চীংজাওদগী অমুক খা নোংচুপলোমদা শন্দোকখ্রিবা চীংশাং নাপোমশিং অসিসু মিরান লম্বাশিং অসিনা অমাংশঙগী হুনশিংগুম্না পিদ্রিৎ পিদ্রিৎ শৌদুনা শন্দোরকখ্রে। অদুঙৈ লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী মকাইফম কৌবা ইঙেনচীংগী নাপোমশিংসে ঙসিদি ঙাকপা ঙমদরে। মৈদিংঙু উরাকোন্থৌবগী মচা মৈদিংঙু হোঙনেময়োয় খুঞ্জাউ নাউথিংখোংনা কংলা ফম্বাল তোংলমদাইদা লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী মফম লুৱাং মকুবী চীং পামং খুন্দা লৈদুনা ফম্বাল তোংবগী থৌরম পূম্বা অমত্তা চিথ্নদনা তমখি। মদুদগী লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবনা হোংনেময়োয় খুঞ্জাওদা কংলৈ ফম্বাল তোংনবগী থৌরম থৌদা নীংথিনা তম্বীরম্লগা উক্রোং হোংদুনা নিংথৌ পুন্সি নিরম্লগা নোংমনদ্রিঙৈদা কংলা মেন তোংনবা থৌদা পীরম্বা মফমনি কৌবা ইঙেনচীং, লুৱাং মকুবী চীং, পামং খুন। মফম লমদম অসি কংলৈপাক অসিগী লৈশেমঙৈদগী হৌনা কয়াদা মরু ওইরকখ্রবনো? ঙসিদি লমদম অসিবু করি ওইখ্রবগে?

অমরোমদা 'লৈমখোং' চৌবী খোং নুংবাল চৌবী শোইশেম্বা চাওহুই ওকয়ানবা মচিন মনাওশিংনা শোই চারম্মী হায়বগী খোং অদুবু 'চোইবী খোং' কৌনখিবনি। নুংবাল শোইশেম্বা মচিন মনাওশিংগা লুৱাং চনুশিংগা শোরারেন কামিন্নসি ৱাশক্লরগা কৌবা শরুম চীং হায়বদি কৌব্রু চীংগী ষণ মরূম ওইনা লৈরিবা চীংদোনসিদা ঙাইনসি হায়না ৱাচানখি। কৌবা শরুম চীং য়ৌনা লাকপগী লম্বীদা লুৱাং চনুশিংনা লানখিবা খোং তুরেল অদুবুনা 'লৈমখোং' কৌনখি। ঙসিদি কৌব্রুগী মশাইকোন ঈচুম লাইরেম্বী খোংজোমনুবী অতোম্বী ঈরোক লাইচম লৈমগী মকাইফম লৈমখোংগী লমদমসু ঙম্না খোঙনেৎনখ্রে।

অমরোমদা, ঈরোক লাইচম লৈমনা পোকচবা মচাবু লম থাংজৌনা খোইরি লেনখি হায়বদগী 'খোইরেন খুল'দগী খুরখুল' কৌনখিবা লমদম, লমদম অসিনা থেল অমত্তা ওইনা নোংচুপ পাংবদা শন্দোকখ্রিবা কৌক্রুক, কাংচুপ-কদাংবন, সঙাইথেল, শচিলোক, লৈশেমঙৈগা খুন্থোকমিন্নরক্লবা মক্তনি। লোইয়া লম অসিদা ইপা ইপু লাইওইখ্রবশিং অমদি লাই নুরাশিংগী খুভম কয়া লেংদনা লৈরম্লিবনি। লোয়া লাকপা, নুংথেল্লেমা, ইচুম লাইরেম্বী, কৌনু লাইরেম্বী, কৌজেং লৈমা, কোরৌ হনবা, খোইয়ুম কয়ানা লেংনা তিন্না ঙাক্লম্মী। লমদম অসিগা শাংথ-লেংথ চৎথখিদুনা লনলোইগী লমখৈ লমশাং, মোইদাংপোক, তাবুংখোক, পাৎশোই, নম্বোল, লৈত্রামনচিংবগা শম্নখ্রি। মথংনা খুরোই, ঙাংঙোই, কেগেমী লমদমগা তিন্নখ্রি।

হৌজিক্তি 'লাইবু' মায়কৈ 'কংলা অতোংবী' 'কংলাতোংবী' শেংমাই নিংথৌগী মরমখৈ 'শেকমাই' কৌক্রুক, খুরখুল, ময়াংলাংজিং, অখাম, পনখা, কদাংবন, কমেং, লমদেং, কাংচুপ অশোমথংবা শরুকসি তিনমু লাইমু ফত্তবশিংনা মখুন-মখুন্দা মফুৎ মফুৎ ফাওদোরক্তুনা কংলৈ ঈ মচাশিংদা তৎতনা তম্নরক্লি। মপা মশক খঙদবা মচাশিংনা খা মায়কৈগী য়েলহাং কৈথেলগী অৱাংলোমদৈ চীংখোঙ চীংয়া হুত্তুনা ঊচি শবিগুম শীংথা খন্দোম ঈ তুরেল মপালদা শমদুনা লাক্লগা লৈমখোংগী মনীংদা শমখিদুনা কাংপোকপীদা মখোয়গী খুন্দিন্নফম ওইখরে।

মথক্কী অসিনসু লোইবা নত্তে। হৌজিক্তি 'থাংবাই' হায়বদি কংলাগী অৱাং নোংপোক থংবদা চেল্লিবা ঈরিল তুরেল, কোংবা তুরেলগী মরূ ফাওবা হুৎচিল্লক্তুনা ঈগী তুরেল কয়া শেম্নবা থৌরাংলক্লি। অদুবু কংলৈ মচাশিংদি খাঙুথক্তা শেম্বা লৈঙাক পথাপ মখাদা তুকথদুনা, তাশিন তাশিন্দুনা লৈনরি। খল্লুবদা ঈরৈপাক নঙবু ঈ শেংদবা মচাশিংনা নোংমদি পূম্না য়োৎ-শিন-খর-দরা? খল্লুবদা থৱায় অসি ওন্থোক্লা চাকইদা। ●

# প্রোক্সি ৱারদগী মনীং তমহন্নবা ঐখোয় নীংতম লান্মী ১/১ ওইনবা ত্রেনিং তৌসি-১

- লুখোই নহা -

য়াম্না তমথীনা তমথীখ্রবা লান্দানি মে ৩, ২০২৩দগী কুকি-জো নার্কো টেররিষ্টশিংনা মণিপুরদা লান্দারকখিবদু। এ আইগী এজ য়ৌরল্লবা মতমসি ফাওবদা "মীওইবা" হায়বদু ওইবা ঙমদনা লাকখিবদগী মরমদম মরৈবাক অমা লিংবা ঙম্লকখিদবদু মীতৈগী লমশিং মোরেবু, চুড়াচান্দপুরবু, কাংপোকপীবু মরৈবাক ওইরগদবনি হায়না মীতৈগী খুলশিং মৈ থাদুনা, মীতৈ কয়া হিংথৎ-থৎ হাৎতুনা, শোকহৈদবা লাইগী খুভম কয়া শিংকুপ শানা থুগাই-য়ানখাইদুনা খঙহৌদা মীকুপ্তা চথুরকখিবা অরোনবা লান্দা অদু মীতৈনা খক কাউরোইদবনি। অরোনবা মতমসিগী চুনদ্রবা তমথীরবা লান্দা অদু পূক্নিং-ৱাখলদা অচুম্বনি লৌরিবা কুকি-জো খুদিংমক মণিপুরদগী তকখায়খিবা হায়বসি মণিপুর কন্নবা ইপা-ইপুশিংনা শিন্নরম্বা পাউথোক্তবা য়াদ্রবা মণিপুরী নেশন অমগী থৱায়গী ওইবা দ্যুতিনি। মণিপুরগী য়েলহৌমী ফূরুপশিংনা মরু ওইনা মীতৈ ফূরুপ্পা 'ফৌ পুরা ফৌ শিং, চেঙ পুরা চেঙ শিং' ইংলিসতা 'টিট ফোর টেট' হায়বদুদগী খোঙফম অমা ফাওবা হন্দোক্লোইদবনি। মী ওনবা লোইদ্রিবা কুকি-জোশিংনা লংজখিবা মরাল কোকপীবা ঙম্বগী চাং অদুদগী শরুক লাখ লাখতা হেনখ্রবনা ঙসি লন্নাই ওইনা লৈবাক্কীদমক ফোঙদোকচরিবা ৱাফম খরসিদদি লৈঙাক্লা আইনগী দুর্বিন থাদুনা য়েংবীরক্ননু।

হৌজিক্তি মণিপুর কংলৈপাকসি কন্নবা য়েলহৌ ফূরুপ অমত্তা চীথ্নদনা নীংতম লান্মী ওইগদবনি। কুকি-জোগী মখূত্তা তাখ্রবা মণিপুর কংলৈপাকী লমশিং অমুক লৌশিনবা হায়বসিনা ঐখোয় নীংতম লান্মী খুদিংমক্কী নুংতিগী, মীকুপ খুদিংগী শোনবা লাইশোন ওইহল্লসি। মণিপুরগী লম কুকি-জো টেররিষ্টশিংগী মখূৎতগী কনবা ঙমদুনা প্রোক্সি ৱারদগী নীংতম্বা ফংদ্রিবফাওবা ৱাশক অমমমগা লোয়ননা ঐখোয় ইশা ইশানা চীঞ্জাক অমমমদি হেনসি, ব্রত তৌসি। ঐখোয় খুদিং ইশানা নীংতম লান্মী অমমম ওইহন্নবগী ঐখোয় ইশা ইশানা ৱাখল পূক্নিংগী ত্রেনিং চথুজসি। ৱাখল হায়বসি লাক্ল-ফানা ঙমদবা অদুক্কী মতিক ফোর্সফুল ওইবা মালেমসিগী চাওখৎলবা লৈবাকশিংনা শাদুনা পৈ পৈদুনা থম্নরিবা শাথী-শাথীরবা খূৎলায় য়াওনা করিগুম্বা অমত্তনা থিংবীনবা লৈতবা শকউদবা তাইবঙ মপুগুম্বগী শক্তি অমনি। পূক্নিং হায়বসিনা সুপ্রিম কোর্টকী জজনি। খেন্নরিবসি অচুম অরান লেপ্পদা সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েলদি মতম অকক্লবা লৈতনা চংই, পূক্নিংনদি অচুম-অরানসি খুদক্তা লেপ্লকই। অদুনা মালেমসিদা লৈরিবা পোৎশক অমত্তনা থিংবা ঙমদনা লৈরিবা ৱাখল'সি পূক্নিং না লাকই, সি য়াই-য়াদে হায়বদু লেপ্পী। মখোয়'নিনা পূন্না লেঙ্গোন্ননা চৎমিন্নবদা থম্মোয়না পেল্লি।

কুকি-জো নার্কো টেররিষ্টশিংগী মখূৎতগী ঐখোয়গী লম কন্নবা, মণিপুর নীংতমহন্নবা ইশা ইশাবু নীংতম লান্মী অমমম ওইহন্নবগী চথুগদবা ত্রেনিংসিদা ৱাখল হায়বসিগা পূক্নিং হায়বসিগগী পোপা হান্না শেন্বীগদবনি। ষণ পোপানা লৌবুক্তা কুমখিবদা থা খরগী তুংদা ফৌ লোকপগুম, ঐ ইশা'সি লানফমদা লৈরিবনি হায়বসিদা ফুক্তোক থাংদোকপা ঙল্লরোইদবা নোংমাইজিং চীংজাওগুম লেপ্তুনা 'শুকশোয় শোয়দনা ঐখোয়না ঐখোয়গী লমশিং নীংতমহল্লগনি' হায়বগী চেৎনা থাজবা (কনফিদেন্স) না ইশা পূম্বসিদা পীক থলহনগদবনি। মদুদা থম্মোয়না পেঞ্জবা ঙল্লগদি অহানবা তাঙ্কক্কী নীংতম লান্মীগী ত্রেনিং পাস তৌরে লৌবা য়ারে। অদুনা থম্মোয়না মখে ফংনা পেঞ্জবা ঙমদ্রিবা ফাওবা পূক্নিং-ৱাখলগী ত্রেনিং'সি চথুবীগদবনি। মসিগী ত্রেনিংসি চথুবীবা মতমদা পোলিটিক্সকী ওইদ-পাদবা ৱাফম পূম্নমক নাকোংসিদা লীৎশিনহনবীগনু। *(মখা চথুজরকখিগনি)* ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১১৯গী ৱাহং**

১) "থাংজম স্বরূপচান্দ সর্দার সঙ্গীতরত্ন" হায়বা ৱারেং অসি মণিপুরগী মপান লমগী অইবা অমনা ইবা ৱারেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপা ৱারেংনি। ৱারেং অসিগী অইবসি কনানো অমসুং লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

২) "অরক্ষনীয়া' হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা হন্দোক্লিবা ত্রান্সলেটর অসিগী মমিং অমসুং মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অসিগী মমিং ইয়ু।

৩) "ঈথক্কী মথংদা ঈপোম" হায়না মিংথোনবা ৱারীমচা অসি ৱারীমচাগী লাইরিক অমদা য়াওবনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবা অসি কনানো?

৪) "থৱান থানা লাকপদা
লৌবুক্কী ঈশৈ শকচরে
ফৌনাগী জগোয় য়েংজরে
ঐসু ৱাখল হোংজরে।"

লিরিকেল পোইম অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবগী মমিং হায়য়ু?

৫) "মণিপুর কৌবী ইমা ও" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।